### ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ লোইশিনখ্রে

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ক্লাসানা অমুক হন্না টাইটল লৌখ্রে

MSL - 2022



ইম্ফাল,দিসেম্বর২১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরকপা খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিএল ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২২-২৩ ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা মমাংগী চেম্পিয়ন কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্লাসা) এফ সী কৈনৌনা অমুক হন্না ৱিন্নর অদুগা রাইজিং এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (রাও) লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সী)গী ঙাংবম নাওচানা পূন্না গোল ৭ স্কোর তৌদুনা তোপ স্কোররগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসি থাংমৈবন্দগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌদুনা ওগষ্ট ২০দগী হৌদুনা টিম ১৯না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়াদুনা চথুরকখিবনি।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ক্লাসা কৈনৌনা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। কেপ্টেন নিংথৌজম মোমোচানা অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা ক্লাসাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। ওইনাম সনাতোম্বনা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখি। মেটচ লোইরমদাই সুধির লাইতোঞ্জমনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা ক্লাসাগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ক্লাসাগী অহানবা গোল চনখিবা এন মোমোচা, পাঙম্বম নাওচা মৈতৈ অমদি খুন্দোম লক্কি অদুগা রাওগী কেপ্টেন ৱাকম্বম মাইকেল মীতৈবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা অথোইবা মীথুংলেন, অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এল রতনকুমারনা থৌরম মপু অদুগা নাওরিয়া পাখংলাকপগী এম এল এ, এস কেবী অমদি থাংমৈবন্দগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। অথোইবা মীথুংলেননা ৱিন্নর ওইখ্রবা ক্লাসা কৈনৌদা খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিএল ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাখ ২ খূৎশিন্নখি। অদুগা এম এল এ, এস কেবীনা রন্নর্স অপ তাখ্রবা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইদা খুমুকচম ওংবী লিওনি দেবী ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাখ ১ খূৎশিন্নখি। তোপ স্কোরর ঙাংবম নাওচাদা লুপা লিশিং ২০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

### ষ্টেট জুনিয়র বোইজ অমদি ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# অর্বিন্দ পোলো ক্লব অহৌবা নুমিৎতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর২১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ৬শুবা জুনিয়র বোইজ অমদি ১৮শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা জুনিয়র বোইজকী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অর্বিন্দ পোলো ক্লবনা কে এম এম রাইদিং স্কুল শীংজমৈবু ৬-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবদা গোল ২/২ চনবা ঙম্নখি। কে এম এম রাইদিং স্কুলগী এন কেদরনাথনা চক্কর হৌরকপগী ০.৩৮তা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেন এন রোহিটনা শান্নবগী ৭.২৯দা কেএমএম রাইদিং স্কুলগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

এল অভিনাশ অমদি এ বিজয়না শান্নবগী ৩.০২ অমদি ৫.৫৮দা অর্বিন্দ পোলো ক্লবকী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি।

অনীশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৩৭তা কে বোনিসননা অর্বিন্দ পোলো ক্লবকী অহুমশুবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা কেপ্টেন এন রোহিটনা শান্নবগী ১.২২দা ইক্বেলাইজ গোল চনশিনদুনা স্কোর ৩-৩দা লৈহনখি। চক্কর লোইরমদাই এল অভিনাশনা শান্নবগী ৬.০০দা অর্বিন্দ ক্লবকী গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৪-৩দা অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা শীংজমৈ টিমবু মাংজিল থাখি।

এল অভিনাশনা মখা তানা অহুমশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৪০দা অর্বিন্দ ক্লবকী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মরিশুবা চক্করগী ১.৪১দা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৬-৪দা মায় পাকখিবনি।

অরোইবা চক্করদা এন রিশিকান্তগী মহুৎ চঙলকখিবা কোরৌখাঙেনবমনা চক্কর হৌরকপগী ০.২০দা কে এম এম রাইদিং স্কুলগী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা টি ঐচ জেকোব অমদি এল অতাঙবনা মাউন্টেদ অম্পায়র অদুগা এম খেলেন্দ্রোনা মেটচ রেফরি, এন ইঙোবীনা টাইম কিপর অমদি এম হোমেননা স্কোরর ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপু অমদি ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচ নুংথিল পুং ১দা ৱিমেন্স পোলোগী চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অমদি লিঙ্থোইঙম্বী পোলো ক্লব থেংনরগনি। অনীশুবা মেটচতা জুনিয়র নুপামচাগী থৌবাল পোলো ক্লব অমদি পেরেদাইজ পোলো ক্লব শান্নরগনি।

## হিরো আই লীগ : নেরোকা স্রিনিধি দেকানগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২১(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না শীন্দুনা চথুরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হোম টিম ওইরিবা নেরোকা এফ সী স্রিনিধি দেকান এফ সীগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে।

স্রিনিধি দেকাননা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৯ শান্নখিবদা মেটচ ৬ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা ২ মায়থীরগা পোইন্ট ১৯ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।



নেরোকা এফ সীনা হৌজিক ফাওবদা পূন্না মেটচ ৯ শান্নখিবদা ২ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা ৬ মায়থীরগা পোইন্ট ৭ ফংদুনা টেবলগী ১০শুবা মফমদা লৈরি।

খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা অমদি স্রিনিধি দেকান অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। রেফরিনা স্রিনিধি দেকানগী মুথু ইরুলান্দি অমদি নেরোকাগী মির্জালোল কাসিমোভপু শান্নবগী ২৫ অমদি ৩০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ রামলুন চুংঙানা শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা স্রিনিধি দেকানগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং নেরোকাগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু গোল হন্দোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখিবগা লোয়ননা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী নেরোকানা স্রিনিধি দেকানগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীহৌখিবনি।

## ইবুধৌ য়াংবী পাখংবা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর২১(ঐচএনএস): নোংমাইকোন প্রোগ্রেসিভ য়ুঠ ক্লব (এন পি ৱাই সী) চনানা শীন্দুনা ৪শুবা ইবুংধৌ য়াংবী পাখংবা কপ ২০২২-২৩ মণিপুর মেন্স ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি চনা প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা এন পি ৱাই সী-বি চনানা খুরাই এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ২০না শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এন পি ৱাই সী চনাগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অহঞ্জাওনা থৌরম মপু, তেলৌ চনা শৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী জিল্লা পরিষদ মেম্বর এ জামিনীনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা নোঙ্গ্রেন চীংনুংখোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান বিলাশিনী, শওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ধনেশ্বরনা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি সোসল ৱর্কর ইরুংবম প্রেম অমদি দব্লিয়ু ধনঞ্জয়না স্পেসল গেষ্টশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## এস দব্লিয়ু সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২১(ঐচএনএস): সোসল ৱেলফেয়র কোংগ্রেস খোংমননা শীন্দুনা ৬শুবা থিঙুজম ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি এস দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা এস দব্লিয়ু সী খোংমননা ত্রিঙ্কল এফ সী মোইরাংপুরেলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অরিফ হুসেননা এস দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী গোল অনীমক চনবা ঙমখি। রোশননা ত্রিঙ্কল এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

## এস এস য়ুনা রন ৯৯দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২১(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা ৭শুবা প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এস এস য়ু শীংজমৈনা ওস্কার পাওনা বজারবু রন ৯৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস এস য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭৬ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ওস্কারনা ওভর ১৯.৫দা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ৭৭ লৌদুনা শীংজমৈ টিমগী মখূৎতা রন ৯৯দা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা মায় পাকখিবা এস এস য়ুগী শৌগ্রাকপম দোগ্লাসনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ২৩দা রন ১৬ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংগী ওভর ৫.৫ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট

## এম পি এস সীনা পি এফ এ থোইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২১(ঐচএনএস): অম্ফানা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীদা লৈবা প্লে ৭ ফুটবোল টর্ফতা চথুরিবা অনীশুবা কোলোনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এম পি এস সীনা পোলোই ফুটবোল একাদেমি (পি এফ এ)বু ৮-৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

পুলিস টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু খেম বহাদুরনা ৪, এন বোবোইসনানা ২ অদুগা কে ঐচ রোশিকি অমদি চিংথাংখোম্বনা অমমম্ চনখি। পি এফ সীগী গোলশিং অদুনা সাজননা ২ অদুগা অকাশ, অফ্রিদি, লোয়াঙম্বা, সোনালিশ অমদি নৱাজনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অনীদা নেরাও এফ সী (এন এফ সী)না ইম্ফাল ফুটবোল ক্লব (আই এফ সী)বু ৮-২ অদুগা এস এস সী পোরোম্পাৎনা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু ৭-৩দা মায়থীবা পীখি।

### ১২শুবা ষ্টেট ক্রোসকন্ত্রি পাঙথোকখ্রে

## ঙৌপুলৌ অমদি অঞ্জনানা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২১(ঐচএনএস): বি এম মেমোরিএল ট্রষ্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা সিটিজন ৱেলফেয়র ক্লব নুঙ্গৈই অমদি পি আর এস সী পৌরাবী অনীগী মতেংগা লোয়ননা এথলেটিক্স এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা ১২শুবা ক্রোসকন্ত্রি এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ ঙসি অয়ূক নুঙ্গৈই অৱাং লৈকাইদগী লমথাদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা ঐচ ঙৌপুলৌ অমদি কে ঐচ অঞ্জনানা নুপা অমদি নুপীগী কিলোমিটর ১০গী লমজেলগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

চহী ২০ মখাগী নুপাগীদা মনাওবী অদুগা নুপীগীদা টি সোফিয়া চনু; চহী ১৮ মখাগী নুপাগীদা এ মারিখো অমদি নুপীগীদা টি রসিয়া চনু; চহী ১৬ মখাগী নুপাগীদা কে ঐচ জাভেদ হুসেন অমদি নুপীগীদা এন দেভিয়ানা অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি। হৌদোকপগী থৌরমদা খুন্দ্রাকপমগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াখি।

### এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি


## পি টি সী সী পাৎসোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২১(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা ২শুবা এম এন সী এ ৱিমেন ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি সী সী পাৎসোইনা এ কে এস দি ও খাঙবোকপু রন ৯৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

পি টি সী সী পাৎসোইনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২০৬ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা তেরেসানা আউট ওইদনা বোল ৮১দা রন ১০৪ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা খাঙবোক্কী বেটসৱিমেনশিংনা ওভর ৩৪দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১০৭ লৌদুনা পাৎসোই টিমগী মখূৎতা রন ৯৮দা মায়থীখি। লোইশিল্লকপদা পাৎসোইগী লাইশ্রম তেরেসানা ৱিমেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।



HL-B/7893/13/12-12/-1




HL-B/7933/4/12-3/02



HL-P/5089/2/12-30/01

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 666

**Ekaterina Sudarkina (1464) - Gleb S. Anikin (1195)**
**Chigorin Memorial 2022 St Petersburg RUS, 2022.10.26**

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 d5 4.cxd5 Nxd5
5.e4 Nxc3 6.bxc3 Bg7 7.Bc4 c5 8.Ne2 Qa5
9.O-O O-O 10.Be3 Nc6 11.Qc2 Rd8 12.Rad1 e6
13.dxc5 Ne5 14.Rxd8+ Qxd8 15.Bb3 Bd7 16.Bd4 Qc7
17.h3 Bb5 18.c4 Bc6 19.f4 Nd7 20.Bxg7 Kxg7
21.Nd4 Nxc5 22.Nxc6 Qxc6 23.f5 Qxe4 24.f6+ Kg8
25.Qd2 Qh4 26.Qe3 Rc8 27.Bd1 b6 28. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 665 Ans. :**

28. Rh8+ The white rook deflects Black's bishop away from protecting the square h6. Bxh8 29. Rxh8+ The white rook captures Black's bishop, which was defending the square c3. Kg7 30. Qc3+ Ne5 31. Rh7+ The white rook decoys Black's king.
Kxh7 32. Qh3+ Kg7 33. Qh6#
28. Rh8+ Bxh8 29. Rxh8+ Kg7 30. Qc3+ Ne5 31. Rh7+ Kf8 32. Rxe7 Rxe7 33. fxe5 Rxd5 34. Nf4
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com